### ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৰাই য়ু এফ সীনা এল ৰাই জি এস ঈ দি এ, মুভানলাই এথলেটিক্সনা এস দল্লিয়ু সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৰাই য়ু এফ সীনা এল ৰাই জি এস ঈ দি এবু পাঞ্জল ৬-১দা অদুগা মুভানলাই এথলেটিক্সনা এস দল্লিয়ু সী কৈরকপু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৰাই য়ু এফ সী অমসুং এল ৰাই জি এস ঈ দি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা ৰাই য়ু এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চথুরকখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা ৰাইয়ুএফসীগী শান্নরোয় য়ামিলাঙভা জর্সি নম্বর ৯না একাউন্টহাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

মখা তানা লেপ্তুনা ৰাইয়ুএফসীনা এটেক চথুরকপনা মেচকী ১৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৰারচুইফৈ জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা টিমমেট য়ামিল অঙভা জর্সি নম্বর ৯না অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল ৰাই জি এস ঈ দি এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ৰাই য়ু এফ সীনা লেপ্তুনা চথুরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় য়ামিলাঙভানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ শুহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৫৬শুবা মিনটতা এল ৰাই জি এস ঈ দি এগী মায়কৈদগী লালমাঙাই জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু ১-৩দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল অমা হন্দোকখিবগী তপথদ্রবা ৰাই য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী মেচকী ৫৮শুবা অমদি ৮০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৰারচুইফৈ জর্সি নম্বর ১০ অমদি য়ামিলাঙভা জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমমমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ৬-১দা লৈহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এল ৰাই জি এস ঈ দি এগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবনা মেচ অদু ৰাই য়ু এফ সীনা পাঞ্জল ৬-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস দল্লিয়ু সী কৈরক অমসুং মুভানলাই এথলেটিক্স লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা মুভানলাই এফ সীনা অয়াম্বা মতমদা খুদুম চন্দুনা শান্নখিবনা এস দল্লিয়ু সী কৈরকপু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখি।

মুভানলাই এথলেটিক্সকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু লুনিংথাঙ কে জর্সি নম্বর ২৪না পাঞ্জল ৩, ক্লেভান মার জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৩, হৌলেঙৌ জর্সি নম্বর ১৪ অমদি সৈনিও কুকি জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী পাঞ্জল অদুনা কে ঐচ বিকেন জর্সি নম্বর ৬না চনখি।



### ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু রন ১১৬তা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু রন ১১৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অম্পয়র নন্দরাজ অমসুং জোগেননা ওইখি। মেচ অসিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯২ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী স্কোরশিং অদু থোইথোইনা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ৪৩, শ্যামসুন্দরনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা রন ৪০, রোবিন্দ্রোনা বোল ২৬ মায়োক্লবদা রন ২৬ লৌবা ঙমখি।



অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী মায়কৈদগী সিকন্দরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, সরতচন্দ্রনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২, গৌরচন্দ্রনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা লৌখিবা রন ১৯২ অদু ওগর ২২.২দা রন ৭৬ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। মেচ অসি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব ক্লব চীংঙামখাবু রন ১১৬তা চাউনা মায়থীবা পীখি। মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী রনশিং অদু রুপচন্দ্রনা বোল ৪৫ মায়োক্লবদা রন ৩১, দেমিননা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ২০, শন্তোসনা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী দল্লিয়ু সুরজিৎনা ওভর ৫.২ লংবদা ৱিকেট ৭, সুধিরনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২, সুরজ চন্দ্রনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী শান্নরোয় দল্লিয়ু সরজিৎনা রন ২৫গা ৱিকেট ৭ লৌদুনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা হয়েং দি এস য়ুক্কাকৈথেল অমসুং এল সী সী সী লিলোং চজিং লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

### অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# এম পি এস সীনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পু দেমখোসৈক গাংতে ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী তুইবোং গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা অহানবা পু (এল) দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এম পি এস সীনা ৰাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোংবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এম পি এস সী মণিপুর পুলিসনা ৰাই পি এ হিয়াংলম হিরানমৈবু সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৯, ২৫-১৬) দা চাউনা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখি। ৰাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোংনা এন ৰাই ভি এ নাওরেম নম্বোলবু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৮, ২৫-১৮) দা চাউনা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।



ফাইনেল মেচ অসিদা এম পি এস সী মণিপুর পুলিসনা ৰাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোংবু সেট ৩-০ (২৫-২৫, ২৫-২২, ১৮-২৫, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অহানবা পু (এল) দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী বেষ্ট ষ্ট্রাইকরনা এম পি এস সীগী থাঙমৈরো, বেষ্ট প্লেয়রনা এম পি এস সীগী রোবিনসন, বেষ্ট সেট্টরনা এম পি এস সীগী রোমিও, বেষ্ট ব্লোকরনা ৰাই এম দি ওগী মাইকেল অদুগা বেষ্ট টিমনা কে এস ও টুইলাঙকোলনা তাখি।

### য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯

# ক্রিপসা, দল্লিয়ু এফ এ ককচীং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অনীনা শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ক্রিপসানা পি এল এলবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা এল সী সী লমলাইবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ক্রিপসা অমসুং পি এল এল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপগা ক্রিপসানা বোল হেন্না পায়দুনা ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী শান্নরোয় এল বেবিদোলি জর্সি নম্বর ১১না একাউন্টহাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি এল এলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।



অনীশুবা হাফতা ক্রিপসানা অদুমক হেন্না ফজনা শান্নরকপনা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এম সঞ্জনা জর্সি নম্বর ৭না টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। পাঞ্জল অনী শোত্থরিবা পি এল এলগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়নননা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ক্রিপসাগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী এটেকশিং অদু কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পি এল এলগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ক্রিপসানা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু এফ এ ককচীং অমসুং এল সী সী লমলাই লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা খুদুম চন্দুনা শান্নখিবনা এল সী সী লমলাইবু পাঞ্জল ৫-০দা চাউনা মায়থীবা পীখি। মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কে ঐচ ভুমিকানা শান্নবগী ২৫শুবা, ৪২শুবা অমসুং ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩, এম অম্বিকানা শান্নবগী ২৭শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি।

### ৩১শুবা সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

## এ আর এ সী য়ুনিটকী সপনানা অহানবা তাখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খা মণিপুর আর্চরি ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২দগী হৌদুনা লাংমৈদোং প্লেগ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ৩১শুবা সেনিয়র (মেন এন্দ ৱিমেন) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক রাউন্দ ইন্দিয়ন ৱিমেন্সকীদা এ আর এ সী য়ুনিটকী কুমারি সপনানা অহানবা, এন এস এ য়ুনিটকী শীটল কুমারিনা অনীশুবা, ৰাই এ সী য়ুনিটকী সনবম নির্মলানা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক ইন্দিয়ন রাউন্দ মেন্সকীদা এফ এ সী য়ুনিটকী এম সুন্দরনা অহানবা, এফ এ সী য়ুনিটকী এম চীংখৈ মৈতৈনা অনীশুবা, এ আর এ সী য়ুনিটকী ইশাক সিমতেনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম ইন্দিয়ন রাউন্দ ৱিমেন্সকীদা ৰাই এ সী য়ুনিটকী সনবম নির্মলা, জেনিফর, সরজু, সুর্জলতাগী টিমনা অহানবা পোজিসন তাখি। এ আর এ সী য়ুনিটকী কুমারি সপনা, এস পি লেদিয়া, দিপিকা পাটিন, ৰাই ভারতিগী টিমনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা এম পি এস সী য়ুনিটকী ঐচ রাজপ্রিয়ারি, কে মনাবিদ্যা, বি লুসি, সী ঐচ বেমচাগী টিমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম ইন্দিয়ন রাউন্দ মেন্সকীদা কে এম এ সী য়ুনিটকী ঐচ বিজেন্দ্রনাথ, চীংখাম বিসন, দল্লিয়ু ব্রিটেনজিৎ, এল বোবিগী টিমনা অহানবা পোজিসন তাখি। এ আর এ সী য়ুনিটকী পি হেরোবা, ঝোখোবো দেমো, ইশাক সিনাতে, সী ঐচ জোনসনগী টিমনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা বি সী এ সী য়ুনিটকী থোঙাম হেল্লর, চনবম বোরিশ, এল মিল্লন মৈতৈগী টিমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৭তগী ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

## ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী টিম ৬না শরু কয়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নগদবা মেচতা এল এফ সী টিম লাক্তবনা মরম ওইরগা জে ৰাস সী টিমনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

## সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ হয়েং থম্বালখোং ৰাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

## লিৱা সারৈ ৰাই সী অমসুং লিৱা খুলেন ৰাই সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা লিৱা সারৈ ভিলেজ গ্রাউন্দদা চথুরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা লিৱা খুলেন ৰাই সীনা জিওল্থাংবু পাঞ্জল ৫-১দা অদুগা লিৱা সারৈ ৰাই সীনা চুম্বাং এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। ফাইনেলদা লিৱা সারৈ ৰাই সী অমসুং লিৱা খুলেন ৰাই সী থেংনরগনি।

## অনীশুবা ক্যামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ৰান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা ক্যামুদ্দিন শান্নবুংদা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথুরিবা অনীশুবা ক্যামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম সী এ শঙ্গাইয়ূম্ফমনা ৰাই ৰাই সীবু পাঞ্জল ২-১দা অদুগা অল অমিননা এস এম এস এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ꯅꯥꯀꯣ/ ৬শুবা নাকো লোট্টরি ২০১৯ মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকচরে

ঙসি ফাওবদা নাকো, ইম্ফালনা পাঙথোকচরকপা লোট্টরি অমদি হাওসি অমুক্তসু য়ৈথোকচরক্তবনি। অদুবু হন্দক দিসেম্বর ১৫দা পাঙথোকচগনি হায়রিবা ৬শুবা নাকো লোট্টরি ২০১৯ অসি ইরমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংজরগা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকচরে। মসিগীদমক মীয়াম্না নাকোবু ঙাকপীগনি। লৈবাক্কী ঈরাং অসি ফীভম খজিক্তং হেক ফগৎলকপগা অথুবা মতমদা লোট্টরি অসি য়াম্না থুনা পাঙথোকচগনি।

Sd/- R.K. Orjit Singh
Secretary, NACO

HL-P/5493/14,15

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লাম্ন্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



HL-B/5749/17oct-16nov.



HL-B/5837/29nov to 27jan

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com